# খুন্নাইদা অওনবা পুরকপদা রেভল্যুসনরি ইরাবতকী থৌদাং

- সোটিনকুমার -

**১৯ *শুবা*** চহীচানা লোইশিল্লকপা অমদি ২০ শুবা চহী চানা হৌরকপা অসি মালেমগী ওইনা চাউনা অহোংবা লাকখিবা মতমনি। মণিপুরগী পুৰারিদসু অনৌবা য়াওল অমগী য়াকাইরোল শক্কদবগী থৌরাংলকপা মতমনি। পুৰারীগী তাঙ্কক অসিদনি জননেতা ইরাবত কুমজা ১৮৯৬ সেপ্টেম্বর ৩০ দা পোকখি অমদি চাওরকখি। য়াম্না লায়রবা ইমুং অমদা পোকখিবদা নত্তনা পীশক পীল্লিৎঁদা অপোকপা ঙন্না কায়নখি। মপাগা পোকমিন্নবা মনেনা য়োকপী-থাকপীরকখি। জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস সেভেন ফাওবা তম্লগা, ঢাকাদা লাইরিক তম্বা চৎখি, চহী অনীরোম ঢাকাদা লাইরিক তমদুনা লৈরম্মী। মহাক্না ঢাকাদা লাইরিক তম্মিঙৈ বংলা লৈবাক্তা নীংতম্বগী ঈহৌগী অকনবা মৈরি চাকপা ওইখিবনা জননেতাগীদি ঢাকাগী পুন্সি য়াম্না মরু ওইরকখিরম্মী। বৃটিশ লোইলমগী মায়োক্তা চঙশিনবা লালহৌগী পূক্লিংদা ফাওরকপা ইথিন ঢাকাদগী মরু ওইনা নৈনরকখিবনি। মতমদুদা মণিপুর খুন্নাইদা লৈরিবা মীনা মীবু ওৎপীবগী ফীভম অদুনা জননেতাগুম্বা অমা খুন্নাইদুনা অওনবা পুরকপা মথৌ তারম্মী, অদুগুম্বা পুন্সি অমা শেমগৎপদা মতম অদুগী খুন্নাইগী ফীভম্না অকনবা শাফু পীখিবা হায়বসি মহৌশানি। হান্নগী মীওৎ মীনৈগী অরিবা খুন্নাই অদুগী চৎন-লোনচৎ অনৌবা য়াওন অমা পুরকখিবগী মরম অমদি মহাক্কী পুন্সি নৈনরকপদা মতম অদুগী খুন্নাইগী পোলিটিকেল ইকনোমি খঙবা তঙাইফদে।

মতমদুগী মণিপুরগী খুন্নাই বৃটিশ লোইলমগী লৈঙাকলোন মখাদা লৈবনা মখোয়না খঞ্জবা নিংথৌ অমা হাপচিন্দুনা লৈঙাকলোনগী মপুং ওইরম্মী। হায়বদি বৃটিশ কোলোনি অমসুং ফিউদেলীজমগী লৈঙাক মণিপুরদা লৈরম্মী। মখোয় অনীগী অপূনবা চৈফুনা মশীং য়াল্লবা লায়রবা লৌমী-শিন্মী ওৎ-নৈরকপা খুন্নাই ওইবনা মতমদু মণিপুরগী পুৰারীদা য়াওল্লোয় থোক্লক্তবা য়াদ্রবা মতমনি। মণিপুরগী ইকনোমিদি লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না মশীং য়াল্লবা মীয়ামগী মরু ওইবা হিংনবগী পাম্বৈ ওইরম্মী। ঈ-পাউ থাদোক-থাজিন য়াম্না নাতে চারমদে, লম্বী থোং অসুক্কী মতিক ফৎলমদে, পোৎ পুথোক পুশিনগী মরু ওইবা পাম্বৈ ষণ গাড়ীনা ওইরম্মী। লাইরিক-লাইশু হৈবা মীওই অসুক্কী মতিক মশীং য়ামদে। কৈথেল পীকই অমসুং মরাং কায়রমদে, অদুম ওইনমক চহীগী ফৌথোক অমসুং ইঙ্খোলদা হৌরিবা মনা-মশিং খরনা চীঞ্জাক্কীদি চাবা কোন্নজবা পোথোক্তি অদুমক পুথোকচবা ঙম্লম্মী। লৌমীগী শেম্থোক লম্বীদি মরাং কায়না লৈতবনিনা লৌমী মীয়ামগী ফুরিৎখাউদা শেল মরাং কায়না লৈরমদে। লৈঙাক্না মখল মখা কয়াগী টেক্স লৌখৎপদা মীনা মীবু ওৎপীবগী মশক শেংনা থোরকখিরম্মী।

মণিপুর খুন্নাইদা অওনবা অমা পুরকপা, মীপুম তিংনা লাইরিক-লাইশুগী জ্ঞান লৈহনবা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাই হায়বসি জননেতানা খঞ্জখি। মদুগীদমক নহারোলশিংনা লাইরিক-লাইশু তম্বা ঙম্নবা স্কুল লিংখৎনবা হোৎনখি, মশামক ওজা ওইদুনা অঙাংশিং লাইরিক তাকপীরম্মী, নহাশিং মশা-মউ ফননবা, লমচৎ-শাজৎ ফজনবা, থকসি-খাসি ঙাক্লবা, শান্ন-খোৎনবরোমদা থৰায় য়াওনবা পূক্লিং থৌগৎপীরম্মী। মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা টাউন ক্লব লিংখৎতুনা মখল-মখলগী মশান্নদা নহারোলশিং শেমগৎখি। ফুটবোল, হোকি, টেনিস, বেদমিন্টন্নচিংবা হৌদোরকপগা লোয়ননা ইরমদমগী মুক্না, কাংজৈ, কাংনচিংবসু য়োকখৎনবা হোৎনখি। লোন অমা হিংহনবা অমদি চাওখৎপগা খোরিরোল চাওখৎপগা মরী য়াম্না লৈনৈ অদুগা খুন্নাই অমগী অওনবা পুরকপদা লোন অমদি খোরিরোলগী থৌদাং য়াম্না চাওই। জননেতানা অহানবা মণিপুরী চেফোঙ মৈতৈ চনু কুমজা ১৯২২ দা পুথোকখি। অফাওবা এক্টরনি, কুমজা ১৯৩০ দা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন লিংখৎপদা মাঙজিন থাখি। এম দি য়ুগী সিম্বোল লাঙ্গোল কারন ইরাবতনা পুথোকপনি। খোরিরোল চাওখৎহন্নবা ইরাবত অমদি মতম অদুগী লোন অমদি খোরিরোল নুংশিজবা কাঙবুনা কুমজা ১৯৩৫ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎখি। ইরাবত পরিষদকী অহানবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইরকখি। মহাক্কী খোরিরোলগী পোথোক্তি মৈতৈ চনু অমদি অনৌবা চক (চেফোং), মোহিনী (উপন্যাস), লোকমান্য তিলক (পুন্সি ৱারী), ঐখোয় হৌজিক করি তৌগদগে (ৱারেং), শৈদম শৈরেং, ইমাগী পুজা (শৈরেং), সীতা, কেপিটালিজম (পোলিটিক্স), খুৎইদা লৈরিবা জয়মতী (ড্রামা), কৃষ্ণকান্তগী উইল (ট্রান্সলেসন) অসিনচিংবনি।

**মতমদুগী বৃটিশ কোলোনি অমসুং নিংথৌ লৈঙাক সাসন্না চথরম্বা শেম্মীৎলোন্দা মীনা মীবু ওৎপীবগী পনবা য়াবা মশক খরদি-**

১। **তেরা পোথোক্কী অথিংবা ঃ** মীচম মীয়ামগী পাট্রাগী লম, ইঙ্খোল ওইরিবা মফমদা তেরা পাম্বী হৌবা ইঙ্খোল মপুদুগী ওইবা য়ারমদে। তেরা মশা অমত্তং করিগুম্বা তেক্তুনা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরবদি ইঙ্খোল মপুনা লুপা ৫০ জরিমনা থীহল্লি, থা ৬ জেলদা থম্বা হায়বসি মতমদুগী আইননি।

২। **জল সম্বন্ধীগী চৎনবী ঃ** মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা পাৎ, তুরেল নিলাম লাউই। নিলাম ওকপা মীবু পাৎ চাবা হায়না খঙনরম্মী। করিগুম্বা ঈশিং ঈচাওনা পাৎতগী খোংবান অমদি অনকপা মফমদা লৈরিবা লৌফমশিংদা ঙা চেম্থোকখিবনি হায়বগী ৱাফমদা পাৎ চাবনা হায়রিবা মফমদুদসু ঙা ফাবগী অয়াবা আইন ওইনা চৎনরম্মী অমদি লৌমীশিংনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা ঙা ফাবগী অথিংবা থনম্মী।

৩। **শেন্তেক-শেনখায় ঃ** পাৎতগী থমচেৎ-থম্না লেম্না হেকপা, থম্বৌ তানবা, থরো, থাংজিং হেকপদা অথিংবা লৈরম্মী। অদুবু লৈঙাক্না শেনখায় পীরবদি অয়াবা পী।

৪। **খেৱা শেনখায় ঃ** খুঙ্গংগী লমদা তুরেল মথক্তা শারিবা মতমদুগী উরোক থোং লানবা, হি শীজিন্নবা মতমদা মীচম মীয়ামগী শেনখায় লৈঙাক্তা পীবা তারম্মী।

**মীনা মীবু নমদুনা থবক শুহনবা খূৎশুমলদি পীবিদবা (ফোর্স লেবর) ঃ**

১। **আমিন চাকথাক ঃ** আমিন্না খুঙ্গং-খুঙ্গং চত্তুনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপা লাকপদা খুঞ্জাশিংনা আমিনগী চাবা-থকপা, সেবা তৌবীবা হায়বসি লৈবাক্কী আইন ওইনা লৈরম্মী। আমিনগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা মী চৈরাক ফংই।

২। **পিওন চাকথাক ঃ** লৌরুংশঙগী মীওইশিং খুঙ্গং-খুঙ্গংদা খাজনা খোম্বা লাকপদা মখোয়না থুংঙুরিবা লমদমদুগী মীওইশিংনা চাকথাক হুনবদা নত্তনা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বদা য়েৎপা য়ারমদে।

৩। **দোলাইরেং ঃ** লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা পিওন, কেরানী অমদি অঙম অথৌ খুঙ্গংদা খোঙদারকপদা খরা মওং মরীল তাবা মী লাকপদদি খুঙ্গং অমদগী অমদা মখোয়বু খুঞ্জাশিংনা দোলাইদা তোংহন্দুনা পুবিবা তারম্মী।

৪। **য়ারেক শন্ত্রি ঃ** লৈঙাক্কী ফম্নাইবা, কেরানিশিংনা খুঙ্গং অমদগী খুঙ্গং অমদা টেক্স খোমগৎপা চৎপদা খুঙ্গংগী নহারোলশিংনা অহিং চুপ্পা মখোয়বু ঙাকশেনবীবা করিগুম্বা পোৎমাং-চৈমাং থোক্লবদি, শঙলিবা মীশিংবু অহকপা চৈরাক পীরম্মী।

৫। **পোৎথাং পুবা ঃ** লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা অরাপ্পা লম চৎপদা ফম্নাইবশিংগী মপোৎ-মচৈ অৰামল পীদুনা পুহল্লি।

৬। **পোৎথাং শুবা ঃ** লম্বী থোং অমদি অঙম অথৌগী বঙ্গলো শাবদা অৰামল পীদনা শিন্মীবু থবক শুহল্লি। মতমদুগী চৎনবীদা লায়রবা লৌমীগী ইমুংদা পোকপা মচা নিঙোল শা-ষণ লৈবদৌনা শেল পীদুনা লৈরগা লৌয়াম চাবা অঙম অথৌশিংগী মচানুপী লুহোংবদা অউনশীনাই ওইনা হাপ্পা চৎনরম্মী।

**ইরাবতকী সোসিয়েল রেভল্যুস্নরি মুভমেন্ট ঃ**

জননেতা ইরাবতনা লমজিংদুনা কুমজা ১৯৩৪ দা 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা' লিংখৎখিরম্মী। মহারাজ য়াওনা শেম্মকপা মহাসভা মপাঙ্গল কনখৎলম্মী। লোয়ননা লুচিংবা ইরাবতনা কৃষি সম্মেলন্নী কৌবা লূপ অমা কুমজা ১৯৩৬ তা নম্বোলদা লিংখৎখিরম্মী। মতমদুগী মীওৎ মীনৈ লৈঙাক্তুগী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ কয়া চঙশিনখিরম্মী। কৃষি সম্মেলন্নীগী মরু ওইবা দিমান্দদি য়ারেক সন্ত্রি, পীওন আমিন চাকথাক, পোৎথাং বেগার, দোলাইরেংগী আইন ককথৎলু, ফোরেষ্ট টোল ষ্টেসন লৌথোকউ, খুঙ্গংগী চীং মীচম মীয়ামদা পীগদবনি, চীং-পাৎ নিলাম ককথৎলু, শের নিফুনা মোন শাগদবনি, লৌমীদগী লৌ শৎপা য়াদে, উতোং ৬৪ গী শঙবায়না লৌশান লৌগদবনি, ইঙ্খোল পাট্রা মনুংদা হৌবা তেরা পাম্বী নিলাম কক্কদবনি, লৌয়াম চাবা নীতি মুথৎলু, লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি হায়বনচিংবশিংনি। লুচিংবা ইরাবতনা চঙশিল্লকখিবা মতমদুগী ঈহৌ মায় পাকখিরম্মী।

**বৃটিশ কোলোনি অমসুং নিংথৌ লৈঙাক সাসন্না সমাজিক্কী ওইবা মীনা মীবু ওৎপিবগী শক্তম খরা ঃ**

মতমদুগী মণিপুর খুন্নাই লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইরগা শেম্বা অকনবা আইন লৈরম্মী। মণিপুরগী য়াইতোংবা হিন্দু লাইনীংগী পন্দিতশিংনা ওইবা মহারাজগী মীৎয়েং মখাদা ব্রহ্মসভা হায়দুনা সংস্থান অমা লৈরম্মী। মী অমা শিরবদি পোৎলোইহনবা অমসুং পোৎলোইহন্দবা হায়বসি ব্রহ্মসভাগী মখা পোল্লি। ব্রহ্মসভানা মাংলে হায়দুনা শক খঙলবদি অশিবা হকচাং পোৎলোইবা য়াহন্দে। পোৎলোইখ্রবসু মাংঙি হায়দুনা শোরাৎ শোনবা য়াহন্দে। অদুবু ব্রহ্মসভাদা শেংদোকমল শেল পীরগা শেংলে হায়দুনা লাউথোকপীরবদি পোৎলোইবা য়াহল্লি, শোরাৎ শোনবা য়াহল্লি। ব্রহ্ম সভানা লৌবা শেংদোকমলগী শেনফম লুপা ৮০ শিকি পাই মাপননি। শেল লৈতবা শেংদোকমন পুথোকপা ঙমদবা ইমুংদদি পোৎলোইবদা আইনগী অথিংবা লৈ। অমাংবা হায়বদু ওইরবা ইমুংদি লৈকায়না অমদি খুন্নাইনা ইম্থোকপীবগী চৎনবী লৈরম্মী। ব্রহ্মণশিংনা মৈতৈ নুপী লৌরগা নুপী অদুগী মখূৎ চাবিদবা, মহাক্না পোকপা মচা চাকইন খোম ইনবা য়ারমদে, মহাকপু খায়নবিরগনা মপামগী চফু চাবা য়াদবা, অদুগা অতোপ্পা মৈতৈ অমদা ময়ূম অমুক পানবা য়াদবা অসিনচিংবা মীনা মীবু ওৎপীবা চৎনরম্মী। মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোইশঙনা লাইনীংগী মীংদা মীচম মীয়ামদগী টেক্স লৌখৎলম্মী, মী খুদিং হিন্দু ওইরবদি চন্দন থিনগদবনি, ব্রহ্মসভা লূপ অসিনা চন্দল থিনবগী শেনফম মীচম মীয়ামদগী লৌই। নৌনা লাইমীং লৌবা মী য়াওবা ইমুং খুদিংদগী আনা ৫ লৌরম্মী। লাইনীংগী মীংদা মীচম মীয়ামদগী শেল লৌবগী চাং দরবারনা মতমগী ওইনা লেপ্পী। নাহুৎ-নারেং থোরকপদা শম ককপা (নাপেৎ) না ইমুং অদুদগী শেল লৌরম্মী। চাবোকপা, অশিবগী শাগৈ য়ূম মাংবগী য়ূমশেং কৈশেংবা পাঙথোকপা শেনখায় থীবা তারম্মী। মহারাজ অমসুং ব্রহ্মসভাগী মীওৎ মীনৈ অসিগী মায়োক্তা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীংগী মায়োক্তা কলচরেল রেভল্যুসন অমা পাঙথোক্লবগীদমক জননেতা ইরাবতনা লমজিংদুনা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা শেম্লকখিবগী মরম অমসুনি। অৱা লান্দা লানজেন্নখিবা অমদি ফাবী পুনবীখিবা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা চোইজাইননা তারিবা মণিপুরীশিং পুনশিন্নবা থৌরাং অমা ওইনা মহাসভা অসি অহানবদদি মহারাজ য়াওনা শেমখিবনি। অদুম ওইনমক মহাসভানা কলচরেল রেভল্যুসন অমা মায় পাক্না পাঙথোক্তুনা মতমদুগী লাইনীংগী মীংদা চৎনরম্বা সোসিয়েল এক্সপ্লোইটেসন থুপচিনখি।

**মহাসভাগী ৪ শুবা চীংঙা মীফম, ১৯৩৮**

জননেতানা লমজিংখিবা মতমদুগী মপাঙ্গল কল্লবা লূপ ওইরিবা মহাসভা অদু 'হিন্দু' হায়বা ৱাহৈসি লৌথোক্তুনা ফুরুপ অতৈসু কোনশিন্দুনা 'নিখিল মণিপুরী মহাসভা' হায়না অকোনবদা মমিং ওম্থোরকখি। সোসিয়েল রিফোর্মেসন্দা মরু ওইবা ঈহৌগী খোঙজং ওইরকখিরম্মী। মদুনা মপাঙ্গল কনবা লূপ অমা ওইরবা মতুংদগীদি সোসিয়েল রেভল্যুসনগী অশেংবা লম্বীদা খূৎমাবা হৌরকখি। খুন্নাই অমদা চৎনরিবা অরিবা লোনচৎ, মীনা মীবু ওৎপীরিবা অদু মরু ফুক্না মাঙহনখিবা হায়বসি লৈঙাকলোনগী শক্তি মীয়াম্না পায়রবা মতমদা ওইথোকই হায়বসি মহাক্না মুন্না খঙঙি। মরম অদুনা টোটেল রেভল্যুসন অমা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক মহাসভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমগী তঙাইফদবা তাঞ্জা য়ৌরকখ্রে। নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী মরিশুবা মীফম (চীংঙা সেসন) দগীদি পোলিটিকেল পার্টি ওইরে। চীংঙাদা ফমখিবা মরিশুবা মহাসভাগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপদা মরু ওইখিবা ৱারেপশিংদি - মণিপুরদা পুর্নদায়ত্বশিল সাসন (full responsible government) লিংগদবনি, সবালোক ভোটনা (adult francise) মীখল তৌগদবনি, খুঙ্গংদা পঞ্চায়েট অমদি অনা লায়েংশঙ লিংগদবনি, খুঙ্গং খুদিং স্কুল লিংগদবনি, ফ্রী এন্দ কম্পলসরি প্রাইমারি এদ্যুকেসন পীগদবনি, লৌগী খাজনা লুপা ১২ দগী ৬ তা হন্থগদবনি, চীং-পাৎ-তুরেল নিলাম কক্কদবনি, চীং তমগী লৈঙাক পুনগদবনি। নিংথৌগী লৈঙাক মুথৎপা, মীখল পাঙথোক্তুনা মীহুৎ খল্লগা লৈঙাকলোনগী শক্তি পায়হনবা অমদি লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি হায়বনচিংবগী দিমান্দগা লোয়ননা ঈহৌ চঙশিল্লকখি। লুচিংবা ইরাবতনা মহাক্না তৌরম্মীবা সদর পঞ্চায় মেম্বর ফম মার্চ ১৫, ১৯৩৯ দা থাদোকখি অমদি খুঙ্গংদা লৌমী অমগী পুন্সিগুম্না হিংবা হৌরকখ্রে। বীপ্লবি হিজম ইরাবতনা মালেমগী অমদি ইন্দিয়াগী খরা হেন্না খুমাং চাওশিল্লকখিবা ঈহৌশিংদা ইমা লৈবাকপু শৈথাবা ঈশৈ অমদি শৈরেংশিং লোয়ননা মীওৎ-মীনৈদগী অরান খুভম ফংনবগীদমক্তা অপূনবগী শক্তি শাগৎপগী, লায়র-অনং, অতোন-অতা খায়দবগী নীং-খা তম্না হিংবদা শৈথাবা শৈরেং ঈশৈশিংনা নীংখা তম্বগী লাঞ্জং চঙশিনবদা থৰায়না পোম্থা পীখিবদা নাচুংহনখিদবগুম মমা লৈবাক মণিপুরদা নিংথৌ অমদি লোইলম লৈঙাক্না সুদৎপীরবা ইরৈবাকচাশিংবু য়াকাইহন্নবগীদমক্তা য়াকাইরোল ঈশৈ কয়া ইদুনা মীকপ থোক্লবা হোৎনখি।

মতমদুগী মণিপুর খুন্নাইদা পোৎ পুথোক্লবগী মরু ওইবা পাম্বৈদি লম (লৌউফম) হায়বসিনি। লৌমীশিংনা লৌ উবগী লম মশানা মপু ওইজবা হায়বসি মান্নবা খুন্নাই অমদা হিংমিন্নবা হায়বগী লম্বী য়াৎপনি হায়বা ইরাবতনা ইরম্বা ৱারেং শৈরেংশিং নৈনরুরগা খঙবা ঙমই। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি antifudal, anti imperialist, antifacist ওই। অদুগা মহাক্কী মরু ওইবা পান্দমদি ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমগী শেম্মীৎলোনগী খুন্নাইদা অওনবা পুরকপনি।

-মথং-মথং

# ক্যুরৈবাক (দ লেন্দ ওফ ক্যু)

— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

***বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, ইকনমিক ব্লোকেদ*** তৌবদা হালেংবা লৈত্রবা মালেমদা ফাওরবা মণিপুরসি হন্দক মপানগী ওজা অমনা "Manipur : The land of Que" হায়না অমুক্কা শৈথারম্বসিনা ঐখোয়গী লমদমসি অমুক্কা হেন্না মমিং চৎপা হায়বদু ওইহল্লে। মালেমগী অতৈ মফমদা লৈতবা অসিগুম্লবা মখল মথেলগী ক্যুগী কুম্মৈশিং পাঙথোক্লিবা লমদমসিবু 'ক্যুরৈবাক' (ক্যুগী লৈবাক) হায়না থোনবসি থোইদোক্না কায়রোইদ্রা হায়না খনজৈ। 'লেন্দ ওফ ওটোরিক্সো' হায়নসু খঙনবা মণিপুরদা ওটোগী ক্যুনা ট্রেন ওইনা চেনবদা নত্তনা থাউগী ক্যু, গ্যাসকী ক্যু, বেঙ্ককী ক্যুনচিংবা লেপ্লবদা য়ূম য়ূমদা মী অমত্তা লৈনদবা ফাওবা য়াওনখ্রে। ক্যু লেপ্পদা কা হেন্না হৈথোই-শিংথোইরবা 'ক্যু বোয় অমদি ক্যু গার্ল' শিংনা ফোঙদোক্লকপদা বেগতগা অদুম থুপচিল্লগা হাপ্পা য়াবা ফম্লবা টুল মখল-মখলশিং পুথোকপীরবদি য়াম্না নুংঙাইগনি হায়নহৌই।

ঐগী তাঙ্কক য়ৌরদুনা থাউ হানজিল্লগা গাড়ীদু কল্লপ অমুক্তং থৌদোক্লকপগী খূৎনুংঙাইসিদি ময়াম্নসু হেন্না খঙবীরম্লগনি। ক্যুগী মমৈ ইথং-থংবদা লেপ্লীবা মীওইদুনা খল্লমগদবা ৱাখলদুমদি ঐহাক্তি লাম্বা ফংজদ্রে। ক্যু লেপফমদা পিকনিক তৌশিন্দুনা অহিং চুপ্পা শানৈ য়ুনৈবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং চাবা, জ্বার শান্নবনচিংবা কুম্মৈগী মথেলশিংসু মীয়াম্না উবা ফংনরি। জ্বারদা শেল লোয়না মাঙখিদুনা থাউ হান্দবীদা হল্লক্লবসু য়াম্না য়াওই হায়রিবসি চুম্লম্বা য়াই।

উশা-ৱাশা, নূং, কার্টুন বোক্স, থৌবা য়াদ্রবা গাড়ীনচিংবা তোঙান তোঙানবা পোৎশিংনা ক্যু লেপ্পীহৌবদু য়েংবদা ফনবু নুংঙাই। ক্যু



থুগাইরকপগী খৎনবা, অহিং লেক্তুনা ক্যু লেপহল্লগা মমৈথংদা থাউ পীররোই, বেঙ্ক পৈশা লৈত্রে, গ্যাস ষ্টোক লোইথোকখ্রে হায়বগী ৱাহৌদা মীয়াম্না নূং লংশিন্দুনা থুগাই-খোক্কাইবগী লানশিংদুসু অঙকপনি। পাখঙ মচা, লৈশাবী মচা, মৌ নহা অমদি ঙাউশিন্নবা পাম্বা নহাশিংদদি ক্যু লেপ্পসি য়াম্না নুংঙাইজবা অমা ওইনরে।

লল্লোনবগী কাঙবু, য়ূম য়ূমগী তঙাইফদবশিংগীদমক লাকপা কাঙবুদগী মতম লেনবা পাম্বা অমদি ঙাওশিন্নবা পাম্বা কাঙবুনা মশীং হেনগৎলক্লবসিনা খুন্নাইশিংদা করি অওনবা পুরক্কদৌরিবনো? গাড়ী অচৌবদা অহিং চুপ্পা ক্যু লেপ্পগী খূৎনুংঙাইসিদি হায়রুবদগী ঐখোয়গী য়ূমথংনবদা মতৈ-মনাও খৎনবদা লাঞ্জাও অমসু থোকখ্রে। গাড়ী অয়াম্বা ক্যু লেপ্লখিবদগী লম্বী ইহাং হাংবসিদা গাড়ীদু হন্দ্রেদ স্পিদতা থৌবগী খূৎনুংঙাইসিসু ইতোং তোঙাল্লি। 'হোমো ঐখোয়গী পরেংনা করম্বনো' হায়না ফাগী তৌনরম্বদু ঙসিদি সুপ্রিম কোর্টনা ট্রান্সজেন্দরশিংবু থার্দ জেন্দর ওইনা শকখঙবীখ্রবনিনা মখোয়গীসু তোঙানবা লাইন অমা থম্বীফম থোক্লবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদি মসিগুম্বা থৌরাংসি লৌখৎপা ইথেং থেংনদ্রি। বন্দ কৌরকপা অমুক ঙাইনরিব্রা হায়বদুদি খঙজদ্রে।

ক্যু লেপ্পগী কম্পিটিসন্নচিংবগা শিল্লবদি মণিপুরগী ক্যুরোইশিংদগী



গোল্ড মেদল মুনবীনবা মীরৈবাক মচা পংলৈ লৈরম্মোয় হায়না খনজৈ। লুহোংবা, সোরাৎতা শেম্থারোইশিং ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্লবদুদা পালাশিংনা নুংঙাইজরমগদবদুদি! ক্যু লেপ্পদা এদিক্ট চুখ্রবা ঐখোয়গী ক্যুরোইশিংনা হয়েং ব্লোকেদ লোইখ্রবা মতুংদা মতম লেনফম খঙদদুনা ৱানহৌগদবদু খল্লুবদা ঐদি নুংঙাইতবা অমসু ফাওই। য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমসু লৈ- মপানা ক্যু লেপ্লিঙৈদা মাগী নুপীগী অঙাং উনবদু নংহৌদবদগী অঙাংদু 'ক্যু' হায়না মমিং থোনখ্রে হায়রি। হৌজিক অমুক সিফাই ঙাক্তুনা গাড়ী খরা খরা থোক্লরকপসিদা মথ্বায় নুংঙাইতবা মীসু য়াওরমগনি হায়না খল্লি।

টোকন য়েন্দুনা অমদি গাড়ী নম্বর ইশিল্লগা কোন্না থাউ পীবগী অনৌবা পোলিসি অসিনা ক্যু লেপ্পগী খূৎনুংঙাইসি মহাও লৈহন্দ্রে হায়দুনা মীয়াম্না লাউনরিবসি তাদব্রা খঙদে। ঐনা খ্বাইদগী শাউনীংবা অমসু লৈরি - ইঞ্জিন ষ্টার্ট তৌদ্রবসু খরা খরা ইনখৎলগা য়াবদুবু অরেং খুদিংগী মৈখু য়াম্না চেনবা গাড়ীশিংদুনা ফরক তাশিল্লকপগী খৎনবসু কোঙ্গাই অমনি। ক্যুদা নাকল চাবোক্কী, মরক্তা য়েপশিল্লকপগী খৎনবা -লাউনরিবনা মরোল অমা। মদুগুম্বদু লাকশিন্ননবা ঙাক্লিবা পুলিস, সিফাইশিংদুনা অমুক্কা হেন্না লাক্লবা ঙমদে। ক্যু লেপ্পা তনবশিং অমদি




শংজদবশিংবু অমুক খোই থাক্লিবা লম্বী মপানগী থাউ য়োনবীশিংদুনা য়োল্লিবা থাউ বোটলশিংদু মচু অমত্তা মান্নদে। শেংই-শেংদে খঙগে হায়রবদি গাড়ীদা হাল্লগা অদুম খঙজরনি হায়না ইতৈমা অমনা হায়রকখিবদু য়াম্না চুম্বা ৱা ওইখি।

ইমোইনু ইমা অহোং অচাওবীনা কোনবা লমদমনিনা ৱাৎপা লৈতে। ব্লোকেদ অদুম তৌরবসু থাউ ৱাত্তদুনা লম্বীদা ট্রাফিক জাম অদুম থোক্লিবসি করিদগীনো হায়না থিগৎলুবদদি মণিপুরদা থাউ শুংলম্লে। কম্পেনিদি খরা য়াম্বা মাল্লি। মরমদি মচু মখল য়াম্না উবা ফংই। দিজল গাড়ী ওইগেরা পেট্রোল গাড়ী ওইগেরা ইহান্দা হানবা য়ারবা কম্মন থাউ শুংবা লমসি ৱর্ল্ডদা মণিপুরনা অহানবা ওইরি। সুম তাজবদা ক্বা জর্দা চাবীশিংগী য়েংদুনা মণিপুরদা মীথা মনাসু পাক শন্না থানবা থৌরাংশিং লৈরে হায়। হিদাকমনাগী মতাংদসু বাবা কম্পেনিগী ফেক্টরি অমসু ঐখোয়গীসিদা লিংখৎননবা অয়াবা লৈরবনিনা পান-দুকান চাউনা চাউনা তৌরিবশিংদা ব্লোকেদনা চৈথেং অমত্তা পীররোই হায়না থাজনরি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো ক্যুগী ৱারী ময়াম অমসু লৈরমখিগনি অদুবু ঐখোয়না নীংশিংগদবদি ইরমদমগী ক্যুশিং অসি উরগা মীরমগী মীশিংনা করিনি হায়না খল্লমগদগে হায়বসিনি।